# পাকিস্তানি টালিবানগা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা পাকিস্তান লান্মী মরি শিখ্রে : পুলিস



ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) : পাকিস্তানগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবাক অসিগী লান্মীনা চথুখিবা থি হুম্বগী থৌদোক্তা পাকিস্তানি টালিবান হায়রগা মীয়াম্না হেন্না খঙনরিবা টেহরিক-ঈ-টালিবান পাকিস্তানগী ফাইটরশিংগা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা পাকিস্তানি লান্মী মরি শিখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা টালিবান ফাইটর অমা খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না, লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা ৱাজিরিষ্টানদা পাকিস্তানি টালিবানগী মেম্বরশিং য়াম্না এক্টিব ওইনা মথৌ তৌরি হায়বগী অকক্নবা পাউ অমা ফংলবা মতুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মফম অদুদা চংশিন্দুনা থি হুম্বগী থবক চথুবা হৌখি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থি হুম্বগী থবক চথুরিঙৈ মরক অদুদা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা লালহৌলূপ অসিগী মেম্বর খরনা খঙহৌদনা নেংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা পাকিস্তানি লান্মী অমা খুদক্তা শিখি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু লালহৌবশিং তম্না হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। পুঙ অমরোম হেন্না খুৎ থোক্নরবা মতুং লালহৌবশিং অদু মফম অদুদগী গাড়ি তোংদুনা চেনখিবনি হায়রি।

খুৎ থোক্নবগী থৌদোক অদুদা পাকিস্তানি লান্মী ৬ নোংমৈনা পান্দুনা শোকখি। খুদক্তা মখোয় মনাক নক্না লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথুখি। অদুবু কা হেন্না শোকখিবনা মরম ওইরগা লান্মী ৩ দি লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং নোংমৈনা পানবদগী চেনবা ঙমদনা লৈহৌরবা পাকিস্টনি টালিবানগী মেম্বর অমা নোংমৈগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

অমরোমদা পাকিস্তানি টালিবানগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না খুৎ থোক্নবগী থৌদোক অদুদা পাকিস্তানি লান্মী ৭ শিখি অদুগা ৯ শোকহনখি হায়না ক্লেইম তৌরকখিবগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মখোয়গী মেম্বর অমা নোংমৈগা কোন্ননা ফারে হায়রিবা ৱাফম অদু অরানবনি হায়রি।

# টালিবাননা অফঘানিষ্টান খুদুম চনখিবা অসি হৌজিকসু মঙলান অমগুম ওইরি : ঘানি



লন্দন, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) : টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘান খঙহৌদনা খুদুম চনশিনখিবা অসি হৌজিকসু মঙলান অমগুম ওইরি হায়না লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক মশা লৈবাক অদু থাদোক্তুনা মতৌ করম্না লাকখিবনো হায়বা খঙহৌখিদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

লন্দনদা পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাংলদুনা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা ফোঙদোকখিবদা, চহী অসিগী ওগষ্ট ১৫ দা টালিবান ফাইটরশিংনা হান্না লৈরম্বা মহাক্কী লৈঙাক অদুবু মায়থিবা পীখিবনি। টালিবান ফাইটরশিংনা কাবুলদা চঙশিল্লকপা মতম অদুদা মহাক অমদি মহাক্কী মরুওইবা কেবিনেট কলিগ খরগা য়াম্না লুবা মীফম অমা পাঙথোক্লি। অদুবু লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরম্বা অর্মি চীফনা মফম অদু থাদোক্তুনা খঙহৌদনা লোৎখিবগী খুদোংচাবা লৌরগা টালিবান ফাইটরশিংনা খুদোংচাবা লৌখিবনি।

করিগুম্বা মহাক্না মফম অদুদা লৈদুনা মায়োক য়ারম্লবদি মহাক শিবা য়াই অদুবু টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানিষ্টান খুদুম চনবদি কৈদৌনুংদা ঙম্লোই। মহাক লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎনিংখিদে। অদুবু মহাক্কী সিক্যুরিটি এদভাইজর অমদি অতোপ্পা কেবিনেট মেম্বরশিংনা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী তঙাইফদনা মহাক লৈবাক অদু থাদোক্তুনা লাকখিবনি। মহাক্না লৈবাক অদু থাদোক্তুনা প্লেন তোংখিবা মতমদা য়াম্না নিংঙমদবা ফাওখি। টালিবান ফাইটরশিংগী মথক্তা চপ চাবা লমন খুম্নবা মহাক্কী ৱাখল্লোন লৈরি। অফঘানিষ্টানদা অমুক হন্না মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকহন্নবা হোৎনগনি।

অফঘানিষ্টানদা হৌজিক হৌজিকসু টালিবানবু য়াদবা অমদি টালিবানগী লৈঙাক অসিবু ইন্তুবা পাম্বা মহাক্কী মীওইশিংগা য়াম্না তোইনা পাউ ফাওনরি। মথং চহীগী অরোইবা ফাওবদা অমুক হন্না মহাক্না অফঘানিষ্টানদা পৱার পায়বা ঙমগনি। হৌজিক লৈরিবা টালিবান লৈঙাক অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামখক্তা নত্তনা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্না য়াদবা লৈঙাক অমনি হায়রি।

অমরোমদা টালিবানগী ৱাঙাংলোয় হেজবুলানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানি মশাগী ওইজবা থিবা মীওই অমনি। মহাক লৈবাক অসিদা চঙলকপদা অথিংবা থম্লে। মহাক্না হৌদোক্লম্বা কম্পনি অনীসু থিংজিল্লে হায়রি।

# ইরানগী মথক্তা ষ্ট্রাইক চথুনবগীদমক ইজরেলনা শেম শাদুনা লৈ

জেরুসালেম, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) : ইরাননা মালেমগী লৈবাকশিংনা পামদবা থবক কয়া চথুরি অমদি লৈবাকশিংগী মরক্তা অরানবা পাউ কয়া তমশিন্দুনা অমগা অমগা য়েংথিনহন্নবা হোৎনরি হায়না ইজরেলনা মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা তঙায়ফদ্রবদি ইরানদা ষ্ট্রাইক চথুনবগীদমক ইজরেলনা মতম পুম্বদা শেম শাদুনা লৈ হায়না লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্টর বেন্নি গেন্টজনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইরাননা বেক তৌবা রেবেল গ্রুপশিংনা য়াম্না তোয়না ইজরেলগী সোভরেন্টি অমসুং সিক্যুরিটিদা শিংনবগী থবকশিং চথুরি। লালহৌবশিংদা অচৌবা শেনফমশিং মতেং পীদুনা মালেমগী লৈবাকশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহনবদা মতেং পাংবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইরানসু অমা ওইরি। মমাং চয়োলদা ওমানগী ঈশিং শরুক্তা ইজরেলগী থাউ পুবা ভেসেল অমদসু ইরাননা বেক তৌবা রেবেল গ্রুপ অমনা দ্রোন এটেক্ট চথুরকখি। ইরাননা মখা তানা অসিগুম্বা টেরোরিষ্টকী থবক থৌওংশিং অসি চথুরক্লবদি মতম অমত্তদা হেক্তা ইজরেলনা ইরানগী মথক্তা ষ্ট্রাইক চথুনবা শেম শাদুনা লৈ অমদি করিগুম্বা তঙায়ফদ্রবদি খন্থবা তৌদনা ইরানগী মথক্তা ষ্ট্রাইক চথুগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# হি মথক-মখা ওনবগী থৌদোক্তা মীওই ৪২ শিরম্লগনি থাজনরি

দাখলা, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) : ৱেষ্টর্ন সহারাগী মনুং চন্না লৈবা দাখলা টাউনগী কোষ্টেল এরিয়াদা হি মথক-মখা ওনখিবগী থৌদোক অমদা চহী নৌরিবা অঙাং ৮ য়াওনা মীওই ৪২ শিরম্বা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না স্পেনিস মাইগ্রেন্ট রাইট্স এক্টিভিষ্টনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কেমিনন্দো ফ্রন্টেরাজ চেরিটিগী ফাউন্দর হেলেনা মালেনো গর্জোননা ফোঙদোকখিবদা, মাইগ্রেন্ট পুবা হি অমদা পুন্না মীওই ৫২ তোংদুনা লাকখিবনি। অদুবু দাখলা কোষ্টেলদা খঙহৌদনা শীৎলকখিবা অকনবা নুংশিৎ অমনা মরম ওইরগা মাইগ্রেন্টশিং পুদুনা লাকখিবা হি অদু মথক-মখা ওনখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই ১০দি রেস্কু ৱার্করশিংনা কনবা ঙমখ্রে। অদুমওইনমক, নুপী ৩০, অঙাং ৮, অমদি নুপা ৪ থিবা ফংদনা লৈরি। মখোয়শিং অদু শিরম্বা য়ানা লৈরে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, লোকেল মীদিয়া রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, দাখলা কোষ্টতা ঙামীশিংনা মীওই ১২গী অশিবা হকচাং সমুদ্র খোংবালদা থেংনখ্রে হায়রি। মখোয়শিং অদু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টদা খঙহনখিবগা লোয়ননা পুলিস লাক্তুনা পোষ্ট মোর্টেমগীদমক পুদুনা চৎখ্রে। শিখ্রবশিং অদু কদায়দগীনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি। অফ্রিকাগী ৱেষ্ট কোষ্টতা মাইগ্রেন্টশিং শিবগী থৌদোকশিং চাং য়াম্না ৱাংই হায়না রাইট্স গ্রুপশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# হোস্পিটালাইজ তৌরকপশিং অয়াম্বা বুষ্টর কাপ্ত্রিবা ঙাক্তনি



লন্দন, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) : য়ু কেদা হৌখিবা নুমিৎ খীরনি অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং খঙহেন হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা হোস্পিটালদা কোভিদ পেসেন্ট পুখৎলকপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি হায়না হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং হোস্পিটালদা পুখৎলক্লিবা পেসেন্ট অয়াম্বনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন বুষ্টর কাপত্রিবা মীওই ঙাক্তনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না ভেক্সিন বুষ্টর অথুবা মতমদা কাপথোক্নবা অপিল তৌরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা লৈবাক অসিদসু অকনবা চৈথেং পীবা হৌরক্লি। অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা লৈবাক অসিদা মীওই ১৯ শিহনখ্রে অদুগা মীওই লাক্ষ ২ হেনবদা ইনফেক্ট তৌবা হৌখ্রে।

হান্না লৈরম্বা দেল্টা ভেরিয়েন্টতগী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা শন্দোকপগী চাং হেল্লি হায়বসি মালেমগী লৈবাকশিংনা খঙনরবা ৱাফম অমনি। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনগদবনি। লৈবাক অসিগী অহাংবা মফমশিংদা টেম্পররি হোস্পিটাল শাবগী থবকশিংসু লোইশিল্লক্লে হায়রি।

# সাউথ কোরিয়াদা ওমিক্রোননা মরম ওইরগা অথিংবা কয়া থমজিনখ্রে

সিওল, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী): সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা মালেমগী লৈবাক ১০০ রোমদা চৈথেং পীবা হৌখ্রবা মতুং সাউথ কোরিয়াগী ওইনসু লায়না লায়চৎ অসিনা চৈথেং পীরক্ত্রিঙৈদা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না হান্না থল্লম্বা অথিংবশিং অদুগী মথক্তা মখা তানা অহেনবা অথিংবশিং থমজিনখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিকমক্কী ওইনদি লৈবাক অসিদা ওমিক্রোনগী কেস অমতা থেংনবা লৈত্রি। অদুবু য়াম্না থুনা শন্দোকনবা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিদগী ঙাকথোক্নবা অমদি লৈবাক অসিদা লায়চৎ মখল অসিনা অনৌবা চৈথেং অমা পীহল্লক্তনবগী পান্দমদা হান্না লৈরম্বা অথিংবশিং অদুগী মথক্তা অনৌবা অথিংবা অমুক থমজিনখিবনি।

লৈবাক অসিগী ওইনা রেষ্টুরেন্ট অমদি পব্লিক প্লেসশিংদা মী ১৪ পুনবগী অয়াবা পীরম্বা অদু মতম খরগী ওইনদি মী ১০ দা হন্থরগনি হায়রি। অদুগা তৌদবা য়াদবা থবক থৌরমশিংগী ওইনা মীয়াম পুনবা তারবসু মীই ৩৫ দগী হেনবা য়ারোই অমদি লৈঙাক্না লায়না লায়চৎ অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা চৎন-কাঙলোনশিং মীয়াম্না ঙাক্না চৎকদবনি হায়রি।

অমরোমদা মতম শাংনা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা অথিংবশিং থমজিন্দুনা লাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী ইকনমিগী ফিভমদা চাওনা অকায়বা পীরি হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং হৌজিকসু লেবাননদা অৱাবা ময়োক্নরি

বৈরুট, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী): লেবাননদা মমাং চহীদা য়াম্না অকিবা ফংলবা বোম অমা পোকখয়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং হৌজিকসু লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীওই কয়া অৱাবা কোক্ত্রি। মসিদগী হেন্না অমুক খুদোংথিনিঙাই ওইরিবদি হৌগৎলক্লিবা চহী নৌরিবা অঙাং কয়াদা মখল কয়াগী লায়নাশিং থোকহল্লক্লিবা অসিনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এন এজেন্সি ফোর চিলদ্রেননা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা লৈবাননদা লৈরিবা অঙাংশিংগী মনুংদা চাদা ৩৪ দি মীগা মীমান্নদবা অমদি ৱাখল্লোন তাদ্রি। মসিগী মথক্তা খরা অমনা চহী নৌরিঙৈদা শিবগী থৌদোকশিং থোক্লি। মসিনা মরম ওইরগা লেবাননদা লৈরিবা মীওইশিংনা হৌজিকসু অৱাবা কয়া ময়োক্নরি। য়ুনাইটেদ নেসন্স অমদি ৱার্ল্ড বেঙ্কনসু লেবাননদা পাংবা য়াবা মতেং পাংলি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স অমদি ৱার্ল্ড বেঙ্ককী মায়কৈদগী মতেং খরা ফংলবসু মীয়ামগী অৱাবদি মপুং ফানা কোকহনবা ঙমদ্রি। লেবাননদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাকশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা চহী নৌরিবা অঙাংশিংনা ময়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অসি মতম চানা কোকহন্নবা হোৎনহৌদ্রবদি লৈবাক অসিদা মখা তানা চহী নৌরিবা অঙাংশিং শিবগী চাং হেনগৎলকখিগনি হায়রি।

অমরোমদা ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মতেং পাংনবগীদমক মীফম অমা অথুবা মতমদা পাঙথোক্নবা য়ানা লৈ হায়রি।

# লাম্মৈনা য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকহনখ্রে

সুপরিয়র সিটি, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) : য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী মনুং চন্না লৈরিবা কোলোরাদো সিটিদা খঙহৌদনা চাক্লকখিবা অকনবা লম্মৈ অমনা মরম ওইরগা সিটি অদুদা লৈবা য়ুম ৫০০ রোম হেন্না অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মৈ অসি মখা তানা অকনবা মওংদা চাক্লি হায়রি।



রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না কোলোরাদো সিটি অসি মমাং চহীদগী হৌরগা ইকং থোক্তুনা লাকখিবা মফম অমনি। মফম অসি হান্নগা মান্নদবা মওংদা হন্দক চহীদা শাবা কা হেন্না হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মহৈ মরোং থাবা য়াদবা ফিভমদা ইকং থোক্তুনা লাকখিবনি।

মৈ চাকপগী পাউ ফংলবা মতুং ফয়ার সর্ভিসকী মীওইশিং লাক্তুনা মৈ কনবগী থবক চথুবা হৌখ্রে। অদুবু ফয়ার সর্ভিসকী ক্রু মেম্বরশিং মশিং য়ামদবনা মরম ওইরগা মৈ কনবগী থবক চথুবা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মখা তানা অহেনবা ক্রু মেম্বরশিং লাক্নবা খঙহনখ্রে হায়রি। অমরোমদা মৈ অদু ফয়ার সর্ভিসকী মীওইশিংনা চেকশিনবা ৱাৎপনা মরম ওইরগা কা হেন্না শন্দোরকখিবনি হায়না মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্নরক্লি।

# ফেক্টরিদা চথুরকখিবা এটেকতা মীওই ৭ শিখ্রে

অবুজা, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) : নাইজেরিয়াগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা নোংমৈ মরু শাফম ফেক্টরি অমদা খুৎলাই পায়বশিংনা চথুরকখিবা এটেক অমদা মীওই ৭ শিখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

এটেক অদু কনানা চথুখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি অমদি গ্রুপ অমত্তনা এটেক অদুগী মতাংদা ক্লেম তৌরকপসু লৈত্রি। নাইজেরিয়াগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা চহী অসিগী হৌগৎলকপদগী হৌরগা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ফেসিলিটিশিংদা এটেক চথুবগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোক্লি।

পুলিসনদি থৌদোক অদু ইন্দিজিনিয়স পিপলস ওফ বিয়াফ্রানা চথুখিবনি হায়না ব্লেম তৌরি। অদুমওইনমক পুলিসনা ব্লেম তৌরক্লিবা ৱাফম অদু গ্রুপ অসিনদি য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা মখোয়গী থৌইনশিন অমত্তা য়াওবা লৈতে হায়রি।

আইমো ষ্টেট পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় মাইকেল অবাতননা ফোঙদোকখিবদা নোংমৈ মরু শাফম ফেক্টরি অদু তম্না লাকখিবা ৱার্করশিং পুবা কনভোয় অদুদা খুৎলাই পায়বশিংনা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক অদু চথুরকখিবনি। থৌদোক অদুদা পুলিস পর্সনেল অমা অমদি ওইল ৱার্কর ৬ শিখি। করি মরমগীদমক খুৎলাই পায়বা মীওইশিং অদুনা এটেক অদু চথুরকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথুবা হৌখ্রে।

নোংমৈ মরু শাফম ফেক্টরি অসিগী মকোক থোংবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং ফেক্টরি অদু হৌজিক থিংজিন্দুনা থম্লি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসতা খঙহনখ্রে। পুলিসকী মায়কৈদগীসু নোংমৈ পায়বা মীওইশিং অদু অথুবা মতমদা ফাগনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে। অদুমওইনমক ৱার্করশিং পুদুনা চৎখিবা কনভোয় অদুদা এটেক চথুরকখিবা অদু লাইবক থিবনি।

MANIPUR KHADI AND VILLAGE INDUSTRIES BOARD
LAMPHELPAT : IMPHAL

--------------

/ NOTIFICATION

Lamphelpat, The 31st December, 2021

**File No.MKB/APT/2010(Pt):** In partial modification to notification No.MKB/APT/2010(Pt) published on local newspaper dated 24-12-2021 regarding Viva-Voce/Interview for the contractual staff recruitment of MKVIB, Lamphelpat, it is hereby notified that the **Written Test examination for all category of post shall be conducted on 4th January**. Specific details of the pattern/syllabus of the written examination shall be available from the Notice Board and website of MKVIB, Lamphelpat, Imphal.

**Date of written test:-** 04/01/2022, Tuesday

**Venue:-** N.G. College, Uripok, Imphal West

**Time and duration of Examination:-** 12:30 pm to 2:30 pm (Two Hours duration)

Sd/- Th. Ebomcha Singh
Chief Executive Officer, I/C, MKVIB

HL-B/7401/1

# ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা পেলিষ্টিনিয়ন অমা হাৎখ্রে

জেরুসালম, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) : ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেলি ফোর্সশিংনা পেলিষ্টিনিয়ন অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পেলিষ্টিনিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা ইজরেলি সিক্যুরিটিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্নদি মীওই অদুনা থাঙ অমা পায়রগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক চথনবা হোৎনরকপদগী মীওই অদুবু কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পেলিষ্টিনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, লৈখিদ্রবা মীওই অদু ৱেষ্ট বেঙ্ককী সালফিট খুঙ্গংদগী অমির অতেফ রেয়ান কৌবা মীওই অমনি। মহাক শা ষন শেন্দুনা লৈবা মীওইনি। মহাকপু ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফারবা মতুং নোংমৈনা কাপখিবনি। খুদক্তা মহাক মনাক নক্না লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখত্তুনা ট্রিমটমেন্ট চথুখি। অদুবু কা হেন্না ঈ থোকখিবনা মরম ওইরগা মহাক লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। ইজরেলি ফোর্সশিংনা মরাল লৈতবা পেলিষ্টিনিয়ন কয়া ফাদুনা হাৎপা অমদি ওৎ-নৈবগী থবক চথুরি। মসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়রি।

ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু হাৎপগী ৱাখল্লোন মখোয়দা লৈখিদে। অদুবু মীওই অদুনা থাঙ পায়দুনা সিক্যুরিটি ফোর্স লৈরিবা মায়কৈদা চেনশিল্লকখি। অহানবগী ৱার্নিং পীবা ওইনা ব্লেঙ্ক ফয়ার তৌখি। অদুবু মখোয়গী মনাক নকশিল্লকপদগী নোংমৈনা কাপখিবনি হায়রি।

# নভেম্বর থা খক্তদা মীওই ৭১,১৮৭ শিহনখি

মোস্কো, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী) : রসিয়াদা মমাং নভেম্বর থা খক্তদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা মরম ওইরগা মীওই ৭১,১৮৭ শিহনখি হায়না লৈবাক অসিগী ষ্টেট ষ্টেটিটিক্স এজেন্সি রোষ্টাটনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পেন্দমিক হৌগৎলকপদগী মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখিবা থা অসি নভেম্বর থানা ওইরি হায়রি।



এজেন্সি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা শিহনখিবা মী মশিং অসি পুন্না ৩,০৭,৯৪৮ শুহনখ্রে। লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসিনা পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং মপুঙ ফানা পায়খৎলবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মায় পাকপা ঙমদ্রি। মরম অসিনা লৈঙাক্না লায়না লায়চৎ অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা হান্না থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোকখিবগা লোয়ননা মীওইবগী পুন্সিগা মতম পুম্বদা লোয়নদুনা লৈরগদবা লায়না মখল অমনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

অমরোমদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা ফোঙদোকখিবদা, লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা অমত্তা ঙায়রবা পাম্বৈদি ইশা ইশানা য়াম্না চেকশিন্না লৈবনি। লৈঙাক্না হান্না অথিংবা কয়া থল্লম্বা অদুদসু লায়চৎ অসি কন্ত্রোল তৌবা ঙমখিদে। ভেক্সিন কাপথোকপা খক্তনা লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্লোই হায়রি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**Deputy Commissioner Noney, Government of Manipur**
**No. DC/Noney/Tender/2021-22/**
**Deputy Commissioner Noney, Government of Manipur**
**/ Camp : Imphal the 30/Dec/2021**

The Deputy Commissioner Noney, Government of Manipur, on behalf of the Governor of Manipur, invites item rate tender through manual tender from approved and eligible contractors of Manipur for 2 (two) nos. of work costing less than 3 (Three) Crore. The Tender details and documents shall be available from 01/Dec/2021 to 20/Jan/2022 at the Office of the Deputy Commissioner, Noney, Government of Manipur.

| | | |
|---|---|---|
| Bid submission start | : | 01-01-2021 time 11.30 a.m. |
| Bid submission end | : | 20-01-2022 time 2.00 p.m. |
| Date of opening of Bid | : | 20-01-2022 time 3.30 p.m. |

Venue of opening of Tender : Office of the Deputy Commissioner, Noney.

Sd/-
**Deputy Commissioner, Noney**
Government of Manipur

HL-B/7402/1